


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, SEPTEMBER 27, 2018 **PAGE 7**




*কোরিয়া ওপন বেদমিন্টনগী অহানবা রাউন্দ মেটচ মায় পাক্লুনা মথংগী রাউন্দদা যুম্ন*
*লৈবাক্কী শান্নরোই কিম গিয়া ইয়ুনগা শান্নগদৌরিবী ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাইনা নেহৱাল*

*বিজয় হজারে ট্রোফিগী মধ্য প্রদেশপু মায়থিবা পীবদা চাওনা মতেং পাংদুনা*
*আওট ওইদনা উরিশাগী মায়কৈদগী রন ৫৬ লৌখিবা গোবিন্দ পোদার*

## এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ত্রোফিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংগী মমিং লাওথোকখ্রে
## শ্রীজেসনা কেপটেন, চীংলেনসনা ভাইস কেপটেন ওইবদা নত্তনা কোথাজিৎসু য়াওরে





*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৬ঃ*

মুসকাটতা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ত্রোফিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কি টিমগী শান্নরোইশিংগী মমিং লাওথোকখ্রে। মিদফিল্ডর মনপ্রীট সিংহনা পি আর শ্রীজেসকি মহুৎ কেপটেন ওইনা শিন্দোকখ্রে অদুগা মণিপুরগী চীং লেনসনা সিংহনা মনপ্রীট সিংহগী দিপ্যুটি ওইনা খনখিবদা নত্তনা কোথাজিৎ সিংহ ইন্দিয়াগী টিম অসিদা য়াওরে।

মুসকাটতা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান চেম্পিয়নস ত্রোফি অসি ইন্দিয়াগী নুপা হোকি টিমগী শকনাইরবা শান্নরোই সরদার সিংহনা রিটয়ারমেন্ট লৌখ্রবা মতুংদা অহানবা মেজর টুর্নামেন্টনি।

ইং ২০১৬তা পাঙথোকখিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ত্রোফিদা ইন্দিয়াগী নুপা টিমনা পাকিস্টানবু ৩–২ থোইদুনা চেম্পিয়নস ত্রোফি লৌখিবনা মথং থা (ওক্টোবর) ১৮দগী মুসকাটতা হৌগদৌরিবা ইদিসন অসিদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইনা শরুক য়াগদবনি।

মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ত্রোফি অসিগীদমক হোক্কি ইন্দিয়ানা য়ুমশংকৈশা নুমিৎতা শান্নরোইশিংগী মমিং লাওথোকখিবদুদা মণিপুরগী শান্নরোই চীংলেনসনাবু কেপটেন মনপ্রীট সিংহগী দিপ্যুটি ওইনা খনখিবনি। ইন্দিয়াগী টিম অসিদা এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা গোলকিপ্পর শ্রীজেস অমসুং নহা ওইরিবা গোল কিপ্পর কৃষন বাহাদুর পাথককি মমিংসু য়াওরে। ইন্দিয়া হোক্কি টিমগী দিফেন্দর কোথাজিৎ সিংহ অমুক হন্না ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবসু ফংখ্রে।

ইন্দিয়া টিমগী দিফেন্স লাইনদা হরমনপ্রীট সিংহ, গুরিন্দর সিংহ, ভরুন কুমার, সুন্দর কুমার অমসুং জরমনপ্রীট সিংহগী মথক্তা মশাগী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবা হার্দিক সিংহসু অহানবা ওইনা সেনিয়র টিমদা শান্নবা ফংলগনি।

চহীসিগী অর্জুনা এৱার্দ ফংলবা ইন্দিয়া টিমগী স্কিপ্পর মনপ্রীটনা এক্সপীরিয়েন্স লৈরবা মিদফিল্ডর চীংলেনসনাগা পুন্না মিদফিল্ডদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শান্নগদৌরি।

মনপ্রীট সিংহ অমসং চিংলেনসনাগী মতেং ললিট কুমার উপাধ্যনা মতেং পাগনি অমসুং নিলকানটা অমসুং সুমিটনা সাইদতা শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী ফোর্ৱাদ লাইনদা মশক থোকপা পর্ফোমেন্স কয়া উৎখ্রবা মশাগী চহী ২৩ শুরবা ষ্টাইকর গুরজান্ট সিংহসু অমুক হন্না পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ত্রোফিদা উরগনি।

অকাসদীপ সিংহ, মনদীপ সিংহ অমুসং দিলপ্রীট সিংহনা পাঞ্জল কয়া অমা চন্দুনা ইন্দিয়ানা ফংখিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ত্রোফি টাইটল অমুক হন্না ফংনবগী থাজবা থল্লি।

ইন্দিয়া টিমগী চীফ কোচ হারেন্দ্র সিংহনা হায়খিবদা মেম্বর ১৮না শাবা ইন্দিয়াগী টিম অসিদা নহা ওইরিবা অমসুং এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই য়াওবনা হেন্না ফজনা শান্নবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। ঐখোয়না মায় পাক্লবা শেমখিবা পোরম অমদি থৌরাং শিংদা লেপতুনা টুর্নামেন্ট শান্নদুনা এসিয়ান গেমসকী এক্সপিরিয়েন্স অদু কাওথোকহন্নবা হোৎনগনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী টিমনা মালেসিয়া, পাকিস্টান, সাউথ কোরিয়া, জপান অমসুং য়ুম্বু লৈবাক ওমানগা থেংনরগনি।

ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কি টিমদা শরুক য়ানবগীদমক খল্লবা শান্নরোইশিং অদুদি পি আর শ্রীজেস অমসুং কিষন বাহাদুর পাথক (গোলকিপ্পর), হরনপ্রীট সিংহ, গুরিন্দর সিংহ, ভরুন কুমার, কোথাজিৎ সিংহ, সুরেন্দর কুমার, জারমনপ্রীট সিংহ অমসং হারদিক সিংহ ( দিফেন্দর)নি।

মিদ ফিল্ডর ওইনা শরুক য়াগদবশিংনা মথংশিৎনা মনপ্রীট সিংহ (কেপটেন), সুমিট নিলাকানটা শর্ম্মা, ললিট কুমার উপাধ্য, চিংলেনসনা সিংহ কাঙুজম (ভাইস কেপটেন) নি। ফোরৱার্দতনা অকাসদীপ সিংহ, গুরজান্ট সিংহ, মনদীপ সিংহ অমসুং দিপ্রীট সিংহনি।

## ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকি প্রি সিজন মেটচতা
## এফ সি গোৱানা ইন্দিয়ান এরোসপু ২–১দা মায়থীবা পীখ্রে



*পনাজি, সেপ্টেম্বর ২৬ঃ*

ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল)গী প্রি সিজন মেটচ ওইনা শান্নখিবা মেটচ অমদা এফ সি গোৱানা ইন্দিয়ান এরোসপু ২–১দা মায়থীবা পীখ্রে।

গোৱাদা লৈবা বামোলিম এঠলেটিক ষ্টেদিয়মদা এফ সি গুৱা অমসুং ইন্দিয়ান এরোস টিম অনীনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকি অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙম্নখিদে। অদুবু মেটচ অদুগী হোম গ্রাউন্দ ওইনা শান্নরিবা এফ সি গোৱানা অহানবা হাল্ফতা বোল হেন্না পায়দুনা অকনবা এটেক কয়া ইন্দিয়ান এরোসকি মায়কৈদা চখখি।

অহানবা হাল্ফকি মিনিট ১০ ফাওবদা কোর্নর অহুম এফ সি গুৱানা ফংখি। শান্নবগী ১১শুবা মিনিটতা এফ সি গোৱাগী শান্নরোই ব্রান্দোননা পীরকপা অনেম্বা ক্রোস অমদা মিগুল পালানকানা পাঞ্জল ওন্থোক্কদবা খজিখত্তুদা মায় পাকহৌদবদগী ষ্টেদিয়মদা তিনখিবা মীয়ামগী অহৌবা খোঞ্জেলনা পুমনিন নিনখি।

অমরোমদা শান্নবগী ২৯শুবা মিনিটতা ইন্দিয়ান এরোসকি মায়কৈদা শান্নরিবা বোরিস সিংহনা বোল পায়দুনা পাঞ্জল ওন্থোক্লবা হোৎরকপদা এফ সি গুৱাগী লক্ষ্মীকান্ট কাট্টিমানিনা য়াম্না ফজনা সেব তৌখি।

অহানবা হাল্ফকি অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙম্মদনা লৈখিবনা মেটচকি অনীশুবা হাল্ফতা টিম অনীমক্কি শান্নরোইশিংনা অঙম্বা পাম্বে পুথোক্লদুনা মায় পাক্লবা হোৎনরকখি।

এফ সি গোৱাদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারিবা জেক্কিচান্দ সিংহ অমসুং অনৱর অলিনা বোল নিংথিনা পায়দুনা পুশিল্লকপদগী পালানকানা অহেনবা খুদোংচাবা লৌদুনা শান্নবগী ৬০শুবা মিনিটতা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি।

পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্বগী হরাউবা পোক্লরিবা এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংদা নিংহন্নবা পোকহনবা ওইনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল হেক চনখিবা মতুং ইকান কান্নদনা ইন্দিয়ান এরোসকি মায়কৈদগী মেটচ অদুগী ইক্কেলাইজর গোল চনবা ঙমখি। ইক্কেলাইজর গোল অদু ইন্দিয়ান এরোসকি শান্নরোই সঞ্জীব ষ্টেলিননা চনখিবনি।

অনীশুবা হাল্ফ লোইগদবা মতম খরদমক ঙাইশিল্লকপনা থোইননবা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্ননবা টিম অনীমক্কি মায়কৈদগী এটেক কয়া চখনখি।

মেটচ অদুগী ৮৮শুবা মিনিটতা এফ সি গোৱাগী শান্নরোই প্রিন্সটোন রাবেল্লোনা চনশিনবখি। শান্নবগী অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙম্নখিদবনা এফ সি গোৱানা ইন্দিয়ান এরোসপু ২–১দা থোইখি।

## স্পেনগী লা লিগাদা এটটেটিকো মাদ্রিদনা এস দি হুএসকাবু ৩–০দা মায়থিবা পীখ্রে
## রিয়েল সোসাইদেদ অমসুং রায়ো ভাল্লেকানো পাঞ্জল ২–২ চন্নদুনা দ্রো চৎখে,



*স্পেন, সেপ্টেম্বর ২৬ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ অমদা এটলান্টিকো মাদ্রিদনা এস দি হুএসকাবু ৩–০দা মায়থিবা পীখ্রে। রিয়েল সোসাইদেদ অমদি রায়ো ভাল্লেকোননা শান্নখিবা মেটচতি পাঞ্জল ২–২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ লা লিগাগী ঙসি শান্নখিবা এঠলেটিকো মাদ্রিদ অমসুং এস দি হুএসকা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকি মিনিট ১৫ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

এঠলেটিকো মাদ্রিদকি শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকশিন্না শান্নখিবা মেটচ অদুগী ১৬শুবা মিনিটতা এঠলেটিকো মাদ্রিদকি শান্নরোই এনটোইনে গ্রেজমানননা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা এঠলেটিকো মাদ্রিদকি শান্নরোইশিংনা মখাতানা চখরকপা এটেক অমদা শান্নবগী ৩০শুবা মিনিটতা টিম অসিমক্কি অতোপ্পা শান্নরোই থোমাসনা পাঞ্জল অমগা অমুক ওন্থোকপা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ২–০দা মাঙজিল থাহনবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফকি অপীবা মতম লোইরক্কদৌরবা মতম শান্নবগীনা ৩৩শুবা মিনিটতা এঠলেটিকো মাদ্রিদকি শান্নরোই কোকেনা পাঞ্জল অমগা অমুক মহাক্কি টিমগীদমক চনবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা এঠলেটিকো মাদ্রিদনা পাঞ্জল ৩–০দা মেটচ অদু লীদ তৌবা ঙমখি।

শান্নবগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদদি এস দি হুএসকাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। এস দি হুএসকাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরিঙৈ শান্নবগীনা ৬৭শুবা মিনিটতা দামিআন মুষ্টোনা শান্নবগী চৎন–পথাপ থুগাইবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। পনবা য়াই এস দি হুএসকাগী অতোপ্পা শান্নরোই রুবেন সেমেদোসু মেটচকি চৎন–পথাপ থুগাইবগীদমক মেটচকি ৪৫শুবা মিনিটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখিবনি। এস সি হুএসকাগী শান্নরোইশিংনা ফনা কন্না হোৎনদুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরবসু মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফকি অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবনা মেটচ অদু এঠলেটিকো মাদ্রিদনা এস দি হুএসকাবু ৩–০দা মায়থিবা পীরম্বনি।


স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগকি অতোপ্পা মেটচ ওইনা রিয়েল সোসাইদেদ অমদি রায়ো ভাল্লেকানো শান্নখিবা অদুগী অহানবা হাল্ফকি ৫শুবা মিনিটতা রিয়েল সোসাইদেদকি জোন বাউটিষ্টটানা অহানবা পাঞ্জল চনখি।

রায়ো ভাল্লেকানোগী শান্নরোইশিংনা চখরকপা অকনবা এটেক অমদা টিম অসিমক্কি শান্নরোই লুইস এদভিনকুলানা শান্নবগী ৩১শুবা মিনিটতা ইক্কেলাইজর গোল চনবা ঙমখি। ইক্কেলাইজর অদু চনখিবা ইকান কান্নদনা শান্নবগী ৩৬শুবা মিনিটতা টিম অসিমক্কি অতোপ্পা শান্নরোই ওসকার ত্রেগোনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংদগী পাঞ্জল ওন্থোক্লুনা পাঞ্জল ২–১ লিদ তৌদুনা অহানবা হাল্ফ শান্নবা লোইশিনখি।

অহানবা হাল্ফ শান্নবা অদুদা শান্নবগী চৎন–পথাপ থুগাইবগী মরালদা রেফরিনা রিয়েল সোসাইদেদকি শান্নরোই ইগোর জুবেলদিয়া এলোরজাবু য়েল্লো কার্দ বকু তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অনিশুবা হাল্ফতদি টিম অনীমক্কি মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লখি। অদুবু শান্নবগী৭৮শুবা মিনিটতা রিয়েল সোসাইদেদকি ৱিলিয়ম জোসনা পাঞ্জল চনশিনবদগী ২–২দা মান্নহনখি। মেটচকি অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নদবনা মেটচ অদু দ্রো চৎতুনা লোইশিনখি।

## বুন্দেসলিগা লীগতা হোফফেনহেম অমসুং ফ্রেদবর্গ মায় পাকখ্রে
## বেয়র্ন মুনিক অমসুং ওগসবর্গ পাঞ্জল ১–১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে



*স্পেন, সেপ্টেম্বর ২৬ঃ*

জর্মনিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগতা হোফফেনহেম অমসুং ফ্রেদবর্গ মায় পাকখ্রে। বেয়র্ন মুনিক অমসুং ওগসবর্গ পঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

হোফফেনহেম অমসুং হান্নোভর ৯৬না শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নবগী ২০শুবা মিনিটতা হোফফেনহেমগী শান্নরোই জোজৱা ব্রেনেটনা পাঞ্জল চনখি। অহানবা হাল্ফ শান্নবা লোইবা ফাওবদা হোফফেনহেমনা মেটচ অদু ১–০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা হৌরকপা মেটচকিনা ৪৯শুবা মিনিটতা হোফফেনহেমগী অতোপ্পা শান্নরোই পাভেল কাদেরাবেকনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২–০দা লীদ তৌদুনা চৎখি। পাঞ্জল শোত্থদুনা লৈরিবা হান্নোভর ৮৬কি শান্নরোইশিংনা হেন্না চেকশিন্না শান্নরকপদগী শান্নবগী ৫৫শুবা মিনিটতা নিক্লাস ফুলক্রুগনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। শান্নখিবা মেটচ অদুগী অরোইবা মিনিটতা হোফফেনহেমগী ইসাক বেলফোদিনা টিম অসিগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ৩–১দা থোইবা ঙমখি।

ফ্রেদবর্গ অমসুং এফ সি ছলকে ০৪গা ছৱার্জৱার্ল্ড ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচকি অহানবা হাল্ফগী অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নখিদে। অহানবা হাল্ফ ফাওবদা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙমদনা লৈরম্বদু অনীশুবা হাল্ফতা ফ্রেদবর্গকি শান্নরোই ফ্লোরেন নৈদেরলেছনরনা শান্নবগী ৫২শুবা মিনিটতা চনখি। মেটচকি অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদবদগী মেটচ অদু ফ্রেদবর্গনা এফ সি ছলকেবু ১–০দা থোইখি।

বায়র্ন মুনিক অমসুং ওগসবর্গনা ঙসি শান্নখিবা মেটচকি অহানবা হাল্ফকি অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মেটচকিনা ৪৮শুবা মিনিটতা বেয়র্ন মুনিককি শান্নরোই অর্জেন রোবেবননা পাঞ্জল চনখি।

টিম অনীমক্কি মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী লোইগদবা মতম খরখত্তুঙা ঙাইরবা মেটচকিনা ৮৬ মিনিটতা ওগসবর্গকি শান্নরোই ফেলিক্স গোটজেনা পাঞ্জল চনশিনদনু পাঞ্জল মান্নহনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অরোইবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল অমমমদগী হেন্না চন্নবা ঙমদবদগী মেটচ অদু ১–১দা দ্রো চৎখি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Lilong Chajing, Imphal West
Ref. : Misc. Case No. 368/SDC/IW(LC) of 2018

Yanglem Ningol Khaidem Ongbi Sanahanbi Devi D/o Yanglem Tombi Singh of Haoriebi
Petitioner
-Vs-
1. Yanglem Tombi Singh S/o (L) Angou Singh of Haoreibi Mamang Leikai
2. Yanglem Mani Singh S/o (L) Toyaima Singh of Haoreibi
3. Paonam Ningol Huirem Ongbi Ibeton Devi W/o (L) Patun Singh of Haoreibi Makha Leikai
Opp.

**NOTICE**

Lilong Chajing, the 24th September 2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি Wangoi Sub-Division গী S.D.C. Lilong Chajing গী মখাদা লৈবা খুল নং 72- Haoreibi গী মনুং চন্না লৈবা Patta No. 341 (old) 405(New) C. S Dag. No. 418 area 0.63500 acres চাওবা ইংখোল অসিগী মনুংদগী Pattadar No. 1 গী শরুক্তগী 107 length x 37.5 breath = 0.092 চাওবা অসি নামা পানবীরো হায়বদি মমিং ওনবীরো হায়দুনা Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অদুনা Objection তৌবিনিংবা মীওইশিংনা পাওচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ (৭) নিগী মনুংদা লাক্কুনা ৱাকৎ চেগা লোয়ননা অপতি তৌবিরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চখরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Lilong Chajing, Imphal West

SL/Bill(L)/27

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 877/SDC/P of 2018

1. Laikhuram Yaima Devi W/o (L) L. Meipak Singh
2. Laikhuram Ibemcha Devi D/o (L) -do- all of Top Mayai Leikai
.....Petitioners
-Vs-
Laikhuram Amu Singh C/o (Late) L. Kwaklei Singh of Top Dusara
.....O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 26th Sept, 2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 38-Top Dusara, I.E.T (P) গী Patta No.42, 582 (অরিবা) 453 (অনৌবা) C.S. Dag No. 502 an area .74 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃত্যু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar অসিগী লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চখগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/Bill(L)/27

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST, Konthoujam
Ref. : Mutation Case No.798/SDC/IW(K) /2018

Oinam Dhaballo Singh S/o (L) Mantri Singh of Sagoltongaba Makha Leikai
Petitioner
-Vs-
Late Oinam Mantri Singh S/o (L) Thambou Singh of Sagoltongaba
O.P.Party

**NOTICE**

The 25/09/2018

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Oinam Mantri Singh, পীং মৃ O Thambou Singh সাং Sagoltongba গী মিংদা লৈবা Imphal West তহসিলগী খুল নং 85- Lansonbi গী অনৌবা পট্টা নং 14/366 দাগ নং 1394 &1317 অমসুং এরিয়ানা 1.65+.42 acre চাওবা Angaphou লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে । মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Konthoujam

SL/4058/27

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 872/SDC/P of 2018

Lakhichand Prasad S/o (L) Meghanath of Telipati
.....Petitioner
-Vs-
Meghanath S/o (L) Shantaram of Telipati
.....O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 26th Sept, 2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 100-Telipati গী Patta No. ... (অরিবা) 37/153 (অনৌবা) C.S. Dag No. 91/114 an area .0275 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃত্যু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar অসিগী লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চখগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/Bill(L)/27